# ক্কারেন্টাইনগী প্রোটোকোল থুগাইদুনা মেরি কোমনা প্রসিদেন্ট কোবিন্দ উনখি



ন্যু দিল্লি, মার্চ ২১(এজেন্সী):
মালেমগী লৈবাক ১৮৬তা চাইনাগী ৱুহান সিটিদগী হৌরকখিবা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা মীওই ২,৯০,৮৯৭ লায়নাসিনা শোকহন্দুনা মীওই লিশিং ১২ রোম শীহনখ্রবা তাঙ্কক অসিদা ইন্দিয়াদা মীওই ৩২১ শোকহল্লি। লোয়ননা মীওই ৫গী পুন্সি মাংহনখ্রবনি। মরক অসিদা থা অসিগী ১৩দা জোর্দানগী অমান সিটিদা এসিয়া ওসিনিয়া ওলিম্পিক বোক্সিং ক্কালিফায়িং টুর্নামেন্টতা ব্রোঞ্জ ফংদুনা ওলিম্পিক ক্কালিফাই ওইবা ঙমখ্রবী এম সী মেরি কোম দল্লীয়ু ঐচ ওনা পীবা নুমিৎ ১৪নিগী ক্কারেন্টাইনগী প্রোটোকোল থুগাইদুনা থা অসিগী ১৮দা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা য়ুম্বু ওইখিবা ব্রেকফাস্ত অমা শরুক য়াখি হায়রি।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা পীরিবা প্রোটোকোলগী মতুংইন্না কোরোনাভাইরসনা শোকহল্লবা লৈবাকশিংদা চৎলুরগা মরমদমদা হল্লকপা নাদবা মীওই পুম্নমক সেল্ফ আইসোলেনসন (ক্কারেন্টাইন) ওইনা নুমিৎ ১৪নি লৈগদবনি। মদুগী মতুং মীওই অদুনা করিগুম্বা কোবিন্দ-১৯গী লায়না লায়ওং উৎলক্কবদি টেষ্ট তৌদুনা লায়না অদু লৈৱ্রা হায়না খঙদোকপগী গাইদলাইন য়াওরি।

অদুবু ইন্দিয়াগী বোক্সিং টিম অদুদা মীওই ১২না জোর্দানগী ক্কালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদু শরুক য়াদ্রিঙৈগী মাংওইননা লায়না লায়চৎ অসিগী হৌরকফম চাইনা (৩২৫৫)দা শীখিবা মীওই মশিং অদুদগী হেনখিবা ইটালি (৪০৩২) দা ট্রেনিং চৎখ্রুবনি।

মার্চ ১৮গী রাষ্ট্রপতি ভবনদা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা উট্টর প্রদেশ অমসুং রাজস্থানগী পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরশিংগা পুন্না ব্রেকফাস্ত তৌমিন্নবদা এম সী মোরিকোমসু য়াওখি। নুমিৎ অদুমক্তদা বোল্লিৱুদকী শৈশকপী কানিকা কাপুরগা উনরুবা বি জে পিগী এম পি দুসিয়ন্ত সিংহসু য়াওখি। মহাক হৌজিক হৌজিক সেল্ফ ক্কারেন্টাইন তৌদুনা লৈরি।

ইন্দিয়াগী বোক্সিং কোচ শান্তিয়াগো নিয়েভানা ঙরাং ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী বোক্সিং কন্টিনজেন্ট অদু মেন্দেটরি ওইনা নুমিৎ ১৪নিগী ক্কারেন্টাইন তৌনবা খঙহনখিবনি। হান্না নুমিৎ ১০নিগী ওইবা মতম লেপ্লম্বা অদু ১৪দা ওন্থোকখিবনি।

এম সী মেরি কোমনা ফোঙদোরকপদা মহাক জোর্দানদগী হল্লক্লবা মতুং সেল্ফ আইসোলেসন তৌখি। মদুগী মতুং প্রসিদেন্টকী ইভেন্ট অদুখক শরুক য়াখি। মহাক্না দুসিয়ন্তকা উনখিবা লৈতে অমসুং খুৎ শোক্লবসু লৈখিদে হায়খি।

# মণিপুরগী ওইনা ৱুসু মশান্না চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা কখোকপগা লোয়ননা থবক তৌবা মথৌ তাই : হিজম দমেন্তি

থাংজম অরুনজিৎ

ইম্ফাল, মার্চ ২১(ঐচএনএস):
মণিপুরগী ৱুসু মশান্না অসি অহেনবা মওংদা অতোপ্পা মশান্নশিংদগী হেন্না মাংজিল থানা চৎকে হায়রবদি কখোকপগা লোয়ননা থবক তৌবা মথৌ তাই হায়না ঙসি পাউচে অসিগা অখন্নবা উনরুবদা মণিপুর পুলিসকী ৱুসু কোচ অমদি য়ুনিভর্সেল ৱুসু একাদেমিগী কোচ ওইনা থৌ পুরিবা হিজম দমেন্তিনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক ইম্ফালদগী কিলোমিটর ২০ লোম চৎলগা লৈবা থৌবাল নোংঙাংখোংদগী হিজম জয় অমদি হিজম ওংবী কুনজে দেবী অনীগী মচানুপীনি। মচিন মনাও মরিগী মনুংদা মহাক্না অনীশুবনি। মহাক্কী মখাদা নুপা অনী অমসুং মচে অমা লৈরি।

মহাক্না মতৌ করম্না ৱুসু শান্নরকখিবগে হায়বগী মতাংদা ফোঙদোরকখিবদা অহানবদা এথলেটিক্স ওইনা শান্নবা হৌরকখি। এথলেটিক্সতা চুম্না শান্নবা হৌরকখিবতনি কম্পিটিসনগা থোল্লকপদি লৈখিদে। মসিগী মতুং মহাক মার্সল আর্টস ওইনা শান্নগে হায়না খল্লকখিবদা থৌবালদা ওজা কুবেরগী মনাক্তা চৎতুনা বোক্সিং ওইনা শান্নরকখি। মসিদা দিষ্ট্রিক্ট লেভেলদা কম্পিটিসন অমা শরুক য়ারকখি। মসিগী মখা তাবদা ৱুসু মশান্না অসি অনৌবা গেমনি হায়না হায়দুনা অসামদা কোচ ওইনা লৈরিবা এন সনায়াই হায়রিবা মীওই অসিনা ৱুসুদা পুশিনবিরকখি।

মহাক্না ৱুসুদা চঙলকপদা দেবেনগী মতেংসু য়াম্না চাওনা য়াওই। অহানবা ওইনা থৌবাল কিয়ামসিফাইদা হৌখিবা কুমজা ২০০৩দা পাঙথোকখিবা ফর্স্ত দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ৱুসু চেম্পিয়নশিপতা কে জি ৪৫গী ৱেথ কেটগরিদা সিলভর লৌবা ঙমখি। মসিগী মতুংদা হেন্না থৱায় য়াওনা শান্নরক্তুনা মখা তানা দিষ্ট্রিক্ট লেভেলদা পাঙথোকখিবা ১১শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ৱুসু চেম্পিয়নশিপ্তা ব্রোঞ্জ, ২শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ৱুসু চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।



মখা তাবদা ওজাশিংগী অহেনবা লমজিং লমতাক্কী মতুং ইন্না দিসিপ্লিন লৈনা হোৎনরকপনা ষ্টেটকী থাক্তা শরুক য়ারকখি। ১২শুবা অমদি ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল ৱুসু চেম্পিয়নশিপ্তা মথং শীৎনা কে জি ৪৫ অমদি ৪৮দা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমজখি। মতুং তারকপদা ইটানগরদা পাঙথোকখিবা ২শুবা অমদি ৩শুবা নোর্থ ইষ্ট ৱুসু চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড লৌরকপা ঙমখি। নেসনল অমদি ইর্ন্টনেসনলগী থাক য়ৌনবা শান্নদবা য়াদে হায়দুনা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি।

কুমজা ২০০৭তা গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা ৩৩শুবা নেসনল গেমসতা কে জি ৪৮গী ৱেথ কেটগরিদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলক্তুনা ষ্টেট অসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙমখি। মখা তাবদা মেরুট অমদি রাঞ্চিদা পাঙথোকখিবা ১৬শুবা সিনিয়র নেসনল ৱুসু চেম্পিয়নশিপ অমদি ১৮ শুবা সিনিয়র নেসনল ৱুসু চেম্পিয়নশিপকী কে জি ৪৮গী কাংলুপ্তা সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখি।

পুলিস দিপার্টমেন্টতা থবক তৌরবা মতুং দিপার্টমেন্ট অসিগী খুত্থাংদা এন আই এস ইন্সটিট্যুট ওফ পতেলি দিলস্পুরদা তমখি। ঐখোয়গী বেজ অসিদা সবজেক্ট, থিওরি অমদি প্রেক্টিকেলদা দিসিপ্লিন ফজবগীদমক্কি হায়দুনা এন আই এসতা টোপ্পর ওইনা পীবীরকখি। অহনাবা ওইনা কুমজা ২০১৫গী দিসেম্বরদা মণিপুর পুলিস ৱুসু টিম শেমখি। মতম অদুদা ঐহাক অঙাং ওইরি।

দিপ্লোমা তৌবদা য়াম্না অৱাবা অমা ওই। হকচাং ফদবা য়াদবা, লাইরিকসু হৈতবা য়াদবা মরম্না অৱাবা অমা ওইরকখি। এন আই এসতা শান্নরোয়শিং করম্না তাক্কনি, করম্না লোয়নগনি, দোক্যুমেন্টসন করম্না তৌগনি, ফিজিকেল্লি অমসুং মেন্টেল্লি ফবা চঙবনা অৱাবা অমা ওই। হায়রিবা ময়াম অসি ক্কালিফাই ওইরবা মতুংদা দিগ্রি অসি পীরল্লিবনি। মসিদা তম্লুরগা লোইবা ঙমদবা কয়া অমসু য়াওরিবনি।

ঐহাক্না কুমজা ২০১৭তা দিপ্লোমা লোইরবা মতুং কুমজা ২০১৮দগী থৌবাল নিংঙোম্বমদা লৈবা য়ুনিভর্সেল ৱুসু একাদেমিদা কোচ ওইনা অঙাংশিংবু তাকপীবা হৌরকখি। মসিদা কোচ ওইনা লৈবা অসি ৱুসু মশান্না অসি য়াম্না পামজরুবগা লোয়ননা হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিংবু অফবা মায়কৈদা পুনিংবদগী একাদেমি অসিদা কখোকপগা লোয়ননা য়াওজবনি। একাদেমি অসিদগী ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকপা চেম্পিয়নশিপ্তা মেদল কয়া লৌবা ঙল্লকপা, নেসনলগী থাক্তা শরুক য়ারকপা ঙম্বদসু হরাওবা ফাওই।



মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, হৌজিক ৱুসুদা চয়েৎনবা কয়া লৈরিবা অসিনা হৌরক্লিবা শান্নরোয়শিংদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরে। চেম্পিয়নশিপ অমা থোকপদা করম্না এসোসিএসনদগী থোক্কদৌরিনো, এসোসিএসন অনীমক্কী শান্নরোয় পুবা য়াদবনিনা শান্নরোয়শিংদা অৱাবা অমা ওইরে। চেম্পিয়নশিপ অমা লাকপা মতমদা শান্নরোয় কয়া হোৎননিংবগী ৱাখল্লোন পোক্কে। মসিদা হোৎনরগা করি তৌরুগদবনো হায়না খনবা ফাওবা য়াওরে। ৱুসু এসোসিএসনদা চয়েৎনরিবা অসি মতৌ করম্না ফগদবগে হায়বগী মতাংদা মহাক্না হায়খিবদা য়েৎনরিবা এসোসিএসন অনীগী মায়কৈদগী খরা খরা কখোক্লবা, অনীমক্না ৱাখল তানা অমনা হায়বা ৱা তানবা তারবদি শোয়দনা য়ানবা পুরক্কনি খল্লি।

# ৱেথলিফটর সাইখোম মিরাবাই চনু টোকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২০দা ক্কালিফাই ওইবা শোইদ্রে, জেরিমি লালরিননুংঙাসু ক্কালিফাই ওইগদৌরি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২১(এজেন্সী):
কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা জুলাই ২৪দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসদা শরুক য়াননবা তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনগী ওইনা পাঙথোক্কদবা ক্কালিফিকেসন টুর্নামেন্টশিং য়ৈথোকপা অমসুং তোকখিবনা মরম ওইরবসু সাইখোম মিরাবাই চনু অমদি নহা ওইরিবা জেরিমি লালরিননুংঙা ক্কালিফাই ওইবগী তাঞ্জাদা লৈখ্রে।

মমাঙদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখ্রবী সাইখোম মিরাবাই চনুনা হৌজিক হৌজিক নুপীগী কিলোগ্রাম ৪৯গী ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা ৩শুবা থাক্তা লৈবা মরম্না টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিগী ক্কালিফায়িং টুর্নামেন্ট য়াওদ্রবসু শরুক য়াবগী লম্বেল লৈরিবনি।

এসিয়াগী ওইনা ক্কালিফায়িং ইভেন্ট অমা ওইখিবা এসিয়ন ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপ অদু দিসিপ্লিন অসিগী অরোইবা ক্কালিফায়িং টুর্নামেন্ট ওইখিবনি। মদু কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লায়চৎনা মরম ওইদুনা পাঙথোকখিদবনি।



ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা থা অসিগী ১৭ অমসুং ১৮দা ইন্টর্নেসনল ৱেথলিফটিং ফেদরেসনগী ওইবা একজিক্যুটিব বোর্দকী মীফমদা ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক এসোসিএসনগী রিকমেন্দেসনগী মতুং ইন্না ওলিম্পিক ক্কালিফায়িং ইভেন্টশিং তোকখিবগা মরী লৈননা ক্কালিফাই ওইগদবা লিফটরশিংগী মতাংদা অহোংবা কয়া থল্লকখি।

সাইখোম মিরাবাই চনুনা অনৌবা ক্কালিফিকেসন রুলগী মতুং ইন্না অপীবা টুর্নামেন্ট ৬ য়াওগদবগী মনুংদা ৫ শরুক য়াবা ঙমখি। কোন্টিনেন্ট মঙাদা লৈবা ক্কালিফায়িং টুর্নামেন্টশিং তোকখিবনা মরম ওইদুনা ক্কালিফিকেসন অসি হৌজিক হৌজিক লৈরিবা ৱেথ কেটগরিশিং অদুগী শান্নরোয়শিংগী রেঙ্কিং য়েংলগা শেমগদৌরিবনি।

মসিনা মরম ওইরগা সাইখোম মিরাবাই চনুনা হৌজিক হৌজিক ৱর্ল্ড নম্বর ৩দা লৈবা মরম্না টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্কালিফাই ওইবা শোইদ্রবনি। মিরাবাই করিগুম্বা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোক্লবদি মহাক্কী করিয়রগী ওইনা অনীরকশুবা ওলিম্পিক গেমস শরুক য়াবা ঙমগদৌরিবনি।

ইন্দিয়ন ৱেথলিফটিং ফেদরেসনগী সেক্রেটরী জেনরেল সহদেব যাদবনা ফোঙদোকখিবদা মিরাবাই চনুনা কুমজা ২০১৮গী নবেম্বর থাদগী হৌরগা চহীসিগী এপ্রিল থা ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্কদবা ইভেন্ট ৬কী মনুংদা ৫ শরুক য়াবা ঙমখি। লোয়ননা মহাক্কী পোইন্টশিং অদু য়েংলুবদা ৩৮৬৯ ফংদুনা চাইনাগী হৌ জিহুই (৪৭০৩) অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী রি সোং গুম (৪২০৯)গী মতুংদা ৩শুবদা লৈখি।

নাকল অমরোমদা মশাগী চহী ১৭তা ঙাইরিবা মিজোরামদগী হৌখিবা জেরিমি লালরিননুংঙানা কুমজা ২০১৮ য়ুথ ওলিম্পিক গেমসতা কিলোগ্রাম ৬২ কাংলুপ্তা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। মহাক্না হৌজিক ফাওবগী ওইনা রোবি পোইন্ট ৩১১৯ ফংদুনা কিলোগ্রাম ৬২গী কাংলুপ্তা এসিয়াগী নম্বর ১ ওইরি। মহাক্কী মথংদা সাউদি অরাবিয়াগী মহমদ অলমাজিয়াদি নৱাফ (২৬৭২) লৈরি।

ওলিম্পিক্সকী ওইনা ৱেথ কেটগরি অমদা নুপা অমসুং নুপীগী কাংলুপকী তোঙান-তোঙানা ৱেথ লিফটর ১৪/১৪ লৈগদৌরি। মালেমগী ওইনা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা মকোক থোংবা লিফটর ৮ ক্কালিফাই ওইবতা নত্তনা কোন্টিনেন্ট অমদগী খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা লিফটর অদুসু ক্কালিফাই ওইগদৌরিবনি।

# য়ু এস এ স্বিমিংনা ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক গেমস য়ৈথোক্নবা ৱাফম ফোঙদোরক্লি

ন্যু য়োর্ক, মার্চ ২১(এজেন্সী):
য়ু এস ওলিম্পিক অমসুং পেরালিম্পিক কম্মিতিদা য়ু এস এ স্বিমিংনা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২০ য়ৈথোক্নবা মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লিবা ৱাফমশিং অদু সপোর্ট তৌনবা তকশিনখ্রে।

য়ু এস এ স্বিমিংসকী চীফ এগজিক্যুটিব টিম হিঞ্চিনা মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টতগী ঙরাং থাগৎখিবা ৱারোল অমদা য়ু এস ওলিম্পিক অমসুং পেরালিম্পিক কম্মিতিগী চীফ এগজিক্যুটিব সারা হর্সলেন্দনা ফোঙদোল্লদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২০ অসি ২০২১দা য়ৈথোক্লনবা মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লিবা ৱাফমশিং অদু শৌগৎপীয়ু হায়না থমখি।

হিঞ্চিগী ত্বিটরদা ইখিবা ৱারোল অদুনা মখা তারদুনা ওলিম্পিক মুভমেন্টকী লুচিংবা অমা ওইরিবা য়ু এস ওলিম্পিক এন্দ পেরালিম্পিক কম্মিতিদা শান্নরোয়শিংগী য়েংলগা ফোঙদোকখিবনি।



নাকল অমরোমদা, য়ু এস ওলিম্পিক অমসুং পেরালিম্পিক কম্মিতিগী চেয়রৱিমেন সুজেন লাইওন্সনা ফোঙদোকখিবদা য়ু এসকী গভর্ণিং বোদি অসিনা ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিতিগা ৱাখল মান্নদুনা টোকিল ওলিম্পিক গেমস য়ৈথোকপা নত্রগা তোকপগী ৱারেপ অথুবা মতমগী ওইনা মথৌ তাদে হায়খি।

হিঞ্চিগী ৱারোল অদুনা মখা তানা হায়খিবদা লৈবাক অদুগী ওইনা লৈরিবা মালেমগী মকোক থোংবা স্বিমরশিংগী ৱাখলদা কোবিদ-১৯গী লায়না লাইচৎনা মখোয়বু শোকহনগদ্রা হায়বগী নুংনাংবা ফাওরিবা অসি কোকহনবা মথৌ তাই হায়খি।

# কোরোনাভাইরস লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী দোপ টেষ্টিং প্রোগ্রামগী থবক থৌরমশিংদা অপনবা পীরি




ন্যু দিল্লি, মার্চ ২১(এজেন্সী):
কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরদুনা মালেম শীনবা থুংনা অচৌবা অৱাবা অমা মায়োক্লরিঙৈ তাঞ্জা অসিদা শান্নরোয়শিংনা থিংখ্রবা পোৎয়ান শীজিন্নদুনা শান্নব্রা হায়বগী য়েংশিন্নবা লৈরিবা নেসনল এন্টি দোপিং এজেন্সী (এন এ দি এ)গী থবক থৌরমশিংদা চাওনা অপনবা পীরি।

ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সীগী অনৌবা গাইদলাইনগী মতুং ইন্না তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা নেসনল এন্টি দোপিং এজেন্সীশিংনা শান্নরোয়শিংগী সেম্পল কলেক্টরশিংবু কোরোনাভাইরস লায়না লাইচৎকী লায়ওং লৈহল্লোইদবনি। করিগুম্বা মখোয়না শান্নরোয়শিংদগী সেম্পল কলেক্ট তৌবা মতমদা শান্নরোয়শিং অদু লায়ওং লৈৱ্রা হায়না হংগদবনি। লোয়ননা কলেক্টরশিং অদুনা লায়না অসিগী লায়ওং লৈরবদি মখোয়না সেম্পল লৌখিবা শান্নরোয়শিং অদুসু পাউ পীদুনা লায়না অসিগী টেষ্ট তৌথোকপগা লোয়ননা ক্কারেন্টাইন তৌগদবনি।

ইন্দিয়াগী নেসনল এন্টি দোপিং এজেন্সীগী দিরেক্টর জেনরেল নবিন অগরৱালনা ফোঙদোকখিবদা এজেন্সী অসিগী মখাদা সেম্পল কলেক্টর অমসুং দোপ কন্ট্রোল ওফিসারশিং অসি লৈঙাক্কী শীন্মী ওইবনা মখোয় মখোয়গী হোস্পিটালশিংদা মতম হেন্না পীদুনা কোরোনাভাইরসকী লায়ওং লাকপা অমদি অনাবশিংবু লায়েংনবগীদমক অহেনবা মতম লৌখিবনা হৌজিক্তি সেম্পল কলেক্ট তৌনবগী মেন পাৱর হন্থরকখি।

এজেন্সী অসিগী মখাদা লৈরিবা মেন পাৱরনা ওলিম্পিক্সকীদমক ক্কালিফাই ওইরবা শান্নরোয়শিং দোপ টেষ্ট তৌবা ঙম্বগী পাঙ্গলদি লৈরি হায়খি।




HL-B/6098/4march to 7april

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১৫

১) মহাক ২০শুবা সেঞ্চুরিগী অহানবা শরুক্কী ওইনদি খ্বাইদগী ফবা এথলেটনি হায়না খঙনখি। মহাক কনানো?

২) মালেমগী করম্বা মফমদা SENIOR CROSS COUNTRY RACE অসি অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবগে?

৩) ওলিম্পিক্কী চেরিওট লমজেলদা খৃষ্ট মমাং ৪৬৮তা মায় পাকখিবা নুপা অদু কনানো?

৪) খুমনগী চুম্বারোঙগা চায়নখিবা অকনবা মোইরাং মচা অদু কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ‘২০২০ টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক অকনবা মওংদা ট্রেনিং তৌরি’

বেঙ্গলুরু, মার্চ ২১(এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী হোক্কি টিমগী শান্নরোয়শিংনা চহীসিগী জুলাই ২৪দগী ওগষ্ট ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদবা টোকিও ওলিম্পিক গেমকীদমক অকনবা মওংদা ট্রেনিং তৌরি হায়না ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম কেপ্টেন মনপ্রিট সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

বেঙ্গলুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী ট্রেনিং সেন্টর অদুনা ট্রেনিং চত্থরিবা শান্নরোয় পুম্নমক কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লায়চৎনা অয়েৎপা পীদ্রি। শান্নরোয়শিং অদুনা লায়না লায়চৎ অসি ঙাকথোক্নবা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা পীরিবা কাংলোনশিং অদু নীংথিনা ইন্দুনা লৈরি। খুৎশা শেংনা হামদোকপা অমসুং হকচাং টেম্পরেচর চাং নাইনা চেক তৌদুনা লৈরি। লোয়ননা ট্রেনিং সেন্টর অদুদা শান্নরোয়, কোচ অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিং নত্তনা অতোপ্পা মীওই অমত্তা চঙহন্দে হায়রি।

নাকল অমরোমদা নুপীগী কেপ্টেন ওইরিবী রানি রামপালনা ফোঙদোকখিবদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক শান্নরোয়শিংনা বেঙ্গলুরুগী সাই সেন্টরদা অপনবা লৈতনা ট্রেনিং চত্থবা অসিদা নুংঙাইবা ফাওই হায়খি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com